ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ১৩, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৯৮শুবা মশীং

# লমগী ৱাহৌদা উংখৎনবগী ফীভম লাকখিবা

## ফুরুপ মশেল য়েক্লবা ওইনা লৌনরকপা লাইবক থীবনি

মণিপুরদা মতম শাংনা খুন্দামিন্নরক্লবা কাঙলূপ মশেল লমগী ৱাহৌদা য়েংথিনরকখিবগী থৌওং অদু খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা হরাওথেল খুন অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা য়াওহন্নবা হোৎনৈ হায়বগী মতাংদা খৎন-চৈনবা, লন্বী থিংবা, য়ূম থুগায়বা অমদি উংখৎনবগী থৌদোক থোকখিবনি। হরাওথেল মনাক্তা ফুরুপ অমগী মীওই খরা নৌনা খুন্দারক্লগা খুনগী মমিং ওন্থোকই অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট থাবা সাইনবোর্দ থেৎচিল্লকই হায়বগীদমক মফম অদুদা হান্না খুন্দারম্বা অতোপ্পা ফুরুপ অমগী মীওইশিং থোরক্তুনা সেঞ্জম চিরাং, সেঞ্জম খুনৌ, কৌক্রুক অমদি খুরখুলনচিংবদা লন্বী থিংখিবনি। ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা লৈমখোং চীংমাঙদা শকখঙদবশিংনা য়ূম মঙা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বগা লোয়নননা মীওই খরসু ফূরমখি। মতম শাংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্দুনা লাক্লবা মফম অসিবু মীওই খরনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা চলহন্নবা হোৎনরে হায়বগী মায়োক্তা নেসনল হায়ৱে নম্বর টু থিংখিবগা লোয়নননা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা চাউনা উংখৎনবগী মওং অমা উবা ফংখি। অদুবু কনাগুম্বা মীওই খরনা শাশিন্নবা চে-চাংশিং সোসল মীদিয়াদা অপলোদ তৌদুনা মীয়াম্বু চমম্নবা পোকহনবনি হায়না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেংদোরকখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী খোঙজং হন্দোকখি। হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা হীরম অসিগা মরী লৈননা কৌক্রুক্কী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা হায়খি মদুদি নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শারিবা মফমগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা মমাঙদা মরীক চুম্বা রিপোর্ট অমা সেন্টরদা থাখ্রে। নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মতাংদা শাশিন্নবা চে-চাং শীজিন্নরগা সোসল মীদিয়াদা অরানবা ৱাফম অপলোদ তৌখিবা মীওই পূম্নমক্কী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী লম মচেৎ অমত্তা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টতা চলহনবগী ৱাফম লৈরোই হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, সোসল মীদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা মীয়ামগী ঈরাং শাগৎখিবদা চেন্নবা মীওই অনী ফারে। মীয়ামগী ঈহৌদা অশোক-অপন নংলবা সেকমাই, লৈমখোং চীংমাঙ অমদি সেঞ্জম খুনৌগী মীওইশিং লায়েংবগা লোয়নননা অমাঙ-অতা থোক্লবা য়ূম পূম্নমক শেমজিল্লগনি হায়নসু এম এল এনা ফোঙদোকখি।

মতৌ অসুম্না মীয়ামগী খোঙজং হন্দোকখ্রে হায়বা তারগসু কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা থাজনদবগী মমি তাদুনা লৈহৌরে হায়বা য়াই। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ কয়া খুন্দামিন্নরকখিবা তারবসু মরক-মরক্তা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপ মশেল য়েংথীনবা, উংখৎনবা অমসুং থাজনদবগী থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। কাঙলূপ মশেল নাকপাক তান্নবগী থৌওং অসিমক লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন পোলিসি, কলচরেল পোলিসি অমসুং দিভলপমেন্ট প্লান শেম্বা, লোয়নননা অতৈ হীরম কয়াদা চাউনা মমি তাবগুম তৌরি। কুমজা ১৯৯২ দা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চলহনখ্রবা মীতৈলোলবু স্কুল এদ্যুকেসন অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন্দা মপূং ফানা চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা থম্নরক্লিবা মরী শোকচিল্লকপা য়াবগী তানফম লাকখি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকা সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রবা লালহৌলূপ অমনা কাঙলূপ অসিগী মীওইশিং খুন্দাবা মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মফম পূম্নমক এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পুনশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতমদসু কাঙলূপ মশেল থাজনদবা হেনগৎলকখি। অতোপ্পা কাঙলূপ অমনসু মণিপুর, ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশকী শরুক খরা খাইদোক্লগা কাঙলূপ অসিগী অপূনবা ওটোনোমস হিল ষ্টেট নৎত্রগা হোমলেন্দ শেম্নবা মঙলান মঙবা হৌরকখি। কাঙলূপকী অখুবা ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইরগা হীরম খুদিংমক্তা থবক তৌবা হৌরকপদগী কা হেন্না টেন্সন ৱাংবা তানফম কয়া হৌখ্রে। অদুবু চেকশিলহৌদবা মীৎকুপ্তা মৈরিক্তগী মৈজাও ওল্লক্তুনা খুন্নাই অসি তাঙ্গোই তানা চাকখিবা য়াবগী নুংনাংবদি অদুম্মক লৈরি। কাঙলূপ অয়াম্বনা লমদম অসিগী অশেংবা য়েলহৌ ফুরুপনি হায়না ক্লেম তৌজবগা লোয়নননা কাঙলূপকী অপিকপা ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপদগী ফীভম অসি ওইরকপনি। করম্বা কাঙলূপ্পা মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌ ফুরুপনো হায়বদু ঙাইহাক্তং নাথৈদুনা থমখ্রগা লমদম অসিদা কাঙলূপ মশেল নাকপাক তানবগী ফীভম লাকখিবসি ১৮শুবা চহীচা হৌগৎলকপদা মশীং য়াল্লবা মীওই কয়ামরুম মীরমগী লাইনীংদা নমদুনা লাইমীং লৌহনখিবদগীনি হায়বা য়াই। মীরমগী লাইনীংনা হীরম কয়াদা অমাং-অশেং খায়রকপদগী লমদমসিদা খুন্দামিন্নরকখিবা কাঙলূপ মশেল নাকপাক তাহনখি। করম্বা কাঙলূপ্পা কদায়দগী চঙলক্লগা লমদমসিদা খুন্দারকখিবগে হায়বদু ঙাইহাক কাউথোক্লগা পুৱারীগী লমায় হাংদোক্তুনা য়েংবা মতমদা মপানগী খূৎ অমনা কাঙলূপ মশেল মচোই-মচোই তাহন্নবা হোৎনরে হায়বা ইরায় লায়না খঙফম থোকই। শকউদবা খূৎনা থাকপা লাংদা থুদুনা কাঙলূপ মশেল নুংশিনদবগী ফীভম লাক্লিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩

১। লমদম অসিগী শক্লাইরবা কবি অমগী অফাওবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তা য়াওবা, করি শৈরেংদগীনো হায়য়ু।

"নুংশি-খোঙফম অহানবা পাম্মু নঙ্গী কাদনি;
নুংশি-শৈশক অহানবা পাম্মু নঙ্গী নাদনি..
চীঙ্গী খোইমু শাহুল তম নুংশি-কাইহৌ শৈরেং লেং,
হেম্মোইনজ মুনা য়েং হেদৌনজ চিংনা য়েং,
নাপ্পচীক্ল নঙ্গী কা শক্লল্লেদো কয়া ঙং,
নুংশি-খুদোল ফংবরা লৈশিল লৈশিল লৈখোং শঙ!
নোংচুপ চীঙ্গী কোরৌ ওই খূনীং মোইদোন কাঙন কাঙ
খাঙলল্লেদো কয়াম্ম নুংশি, নঙ্গী খরায় লাং!"

২। "মদন কাম অমসুং চিন্তামনি স্বয়ম্বর" হায়বা ফাওরবা লাইরিকসি মণিপুরীদা গোকুলানন্দ সিংহনা হন্দোকপনি। চীন্থাং ৱারীদগী লাইরিক ওইনা ইথোকখিবা অইবদু কনানো অমদি করি লমগী ৱারীশিংদা য়ূম্ফম ওইবা লাইরিকনো?

৩। মাহাত্মা গান্ধীগী ওটোবাইওগ্রাফিদু মণিপুরীদা ইহান হান্না কনানা করি মমিং হায়না থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৪) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা সাহিত্যগী লম্‌দা পীবা "যামিনি শুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল" অসি য়াম্না লীরবা অমসুং ইকাইখুম্ননিংঙাই ওইবা মনানি। মনা অসি ইহান হান্না কনানা ফংখিবগে?

৫) এলাংবম নীলকান্ত সিংহগী মমিং চৎলবা শৈরেং "নিংথৌখোংগী চন্দ্রশখি" হায়বসি অফাওবা কবি অমগী মমিং য়াম্না চৎপা শৈরেং অমনা ঈথিল পীবনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়নবা শৈরেংদু করিনো? কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# প্রাইভেট স্কুলশিংগী অঙাংশিংগী ফীগী মতাংসিবু কমদৌসি হায়বা!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬২০

জিতেন নামৈরাকপম

হৌজিক ওক্টোবর থাগী থাখায় চল্লবা, নবেম্বর-দিসেম্বর থা অনী অসি হৌখ্রগদি মপুন্সি লোইরক্কদৌরবা কুমজা ২০২০ খঙনুং হেক নুংশিবা ফাওরকই। হরাউ তরাম্না 'হেপ্পি ন্যু য়র' গা লোয়নননা মীয়াম পূম্বনা ওকচখিবা চহী মানা মার্চ থাখায় অদুৱাইদগীদি মথোং মরম খঙদনা অসুম-অসুম শাথীরবা লাইচৎ কোরোনাগা লোয়নননা চৎমিন্নদুনা মপুন্সি লোইশিল্লক্কদৌরে। লোকদাউন হেক তৌখিবা নুমিৎতগী ঙসি ফাওবসি পুন্সি অসি মথোং মরম খঙদনা হিংজ্রোং-কায়জ্রোংদা লেঞ্জরি, অতৈসু লেনবীরমগনি খঞে।

লোকদাউনগা লোয়নননা কর্ফিয়ুসু থমজিনখি। এস ও পি ঙাক্তুনা চৎমিন্নসি নৎত্রগদি পূম্নমক শিমিন্নবা তারে হায়দুনা লৈঙাক্লা অমদি মাঙজিল থাবা ৱারিয়র কাঙবুনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবিখিবগী মহয়না ঙসি ফাওবদা মীশি-মীনা কা হেন্না শাথীনা থোকত্রিবনি হায়বা য়াই। চেকশিন থৌরাংশিং অসি লৌখৎপীরমদবা তারগদি মীয়াম পূম্নমক ওন্থোক্লা অৱাবগী ফীভমদা তারম্বসু য়াই। অদুবু অসুম অসুম তেক্লি-তেক্লি লায়না অসিনা নাবা মীওই লিশীং ১০গী মথক লানখিদুনা চহী লোইশিল্লকপদদি লিশীং ২০ শুরকপা য়াই হায়নসু পানরি। লায়না অসিনা শিখিবা মীওইগী মশীংসু ঙসি ফাওবগী মতম অসিদা ১০০দি য়ৌশিল্লক্কদৌরে। চেকশিন্দবদি শুকয়া য়াদবনি। নুংতিগী পোজিটিভ ওইবগী মশীংসু চাম্মগা নিফু/য়াঙ্খে, চনীগী মথক লানবসু য়াওরিবনি। অদুবু কোভিদ-১৯গা লোয়ন-লোয়নননা অসুম চৎপনা হান্না কিনরম্বা চাংদগী অসুম-অসুম হন্থরক্তুনা কা হেন্না কিনদবদি ফাওনরক্লে। লুরিবদি লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা হীদাক অমত্তা ঙসি ফাওবদা পুথোকপা ঙমদ্রিবা অসিনি।

কুমজা ২০২০ হৌরকপদগী শাথীরবা লাইচৎকা লোয়নননা চৎমিন্নদুনা লাকপনা মীওই পূম্নমক হিংননবা হোৎনবদা অৱাবা অমদি ওইনরি। লৈঙাক্কী থবক তৌহৌবা থাগী তোলোপ কায়দনা ফংজবা অচৌ-অচৌবা ব্যুরোক্রেট ওফিসর, করবারৱালা শেঞ্জাও পায়বা নত্তনা লৈহৌরিবা অতৈ মীওই কয়াদদি ওন্থোক্লা অৱাবগী মশকনি। শেন্থোক লন্বী থদৎপীখিবা থা ৭/৮ রোম শুজিল্লকপসিদা থেংনরমগদবা অৱা-অনাশিং হায়ফেৎ মীৎ উইশিনবদা উবা ফংবিরমগনি। অসিদসু নত্তনা অদোম অদোম্না ফংবিরমগদবা চৈনা হকথেংনবিরমগনি খঞে। থবক তৎখিবা, শূফম-নোম্ফম খঙনখিদবা, নুংতিগী হেন্দ-টু-মাউথতা শূরগা চাজবশিং হৌজিকপুদি খজিক খজিক কোমথোরক্তুনা শ্বর চনীং তানা হোনবদি কাবক-কাবক ঙল্লমগদ্রা খঞে। মতাং অসি ফাওবদা হৌজিক ফাওবা থোং হাংনদ্রিবা ওফিস, ইন্সটিট্যুট, মার্কেট প্লেস, মীয়াম পূনফম কয়া অমসু লৈরি। ওন্থোক্লা ৱানরিবা তাঞ্জা অসিদা চহী মাঙলবা মহৈরোয়শিংগী ৱাফম অমুক লাক্লি। তুংগী য়ূম্বুরেল ওইহৌগদবা মখোয়গী লাইবক্লা কমদৌহৌবা! মরক অসিদা লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টরোমদগী অঙাংশিংগী স্কুল ফী থর্টি পর্সেন্ট থিবা, ওজাশিংগী তোলোপ চাদা ৫০ পীবিনবগী ওর্দর থোক্লকপগী মতাংদা চয়েৎনবগী প্রোব্লেম থোরকই।

থা ৭ হেন্না লাইরিক তম্বীদ্রগা, স্কুল কাদ্রগা করিগী ফী থিগদৌরিবনো অসিনি। চুম্বদি চুম্ফম থোকই। মহৈদি তম্বীদ্রগা মহৈলোইশঙসু হাংদনা ৱাদবগী অৱামল পীফম থোক্তে। শোমদনা অমুক মহৈরোয়শিংনা মীং চনবগী, ফী থিবগী শেনফমনা স্কুল চলাইরিবনি। লৈঙাক্তা শেনফম থিরিবনি। ওজাশিংগী তোলোপ পীরিবনি। অসিদসু নত্তনা নন-টিচিং ষ্টাফশিং,



চৌকিদার, পিওন্দগী হৌরগা ক্লার্ক, কেসিয়র, ৱার্দেন, চাকথোংবা-চাকথোংবী, এঞ্জাং-নাপি শেন্বী, আলু মকু খোকপী, চেঙ খপ্পী, শীং খায়বা, ফিশু ফিজাম্বা, কোল্লিক ফেংবা অমদি স্কুলগা মরী লৈনবা এমপ্লোয়ী পূম্নমক অঙাংশিংদগী খোমগৎপা শেলনা কোন্ননবা শীন্নরিবনি। ৱাফম অসিদা লান্নীংঙাই করিসু য়াওদে। অঙাংশিংদগী ফী খোমগৎত্রগদি কদাইদগী শেলনা তোলোপ পীরুগনি হায়বসিনি। মহৈরোয় গ্রুপ নৎত্রগা পেরেন্টশিংগী নাকন্দগী হায়রিবনা লোকদাউনগী মতমদা নখোয়গা মান্ননা ঐখোয়গী পুন্সিসু লেল্লি। শূফম-নোম্ফম খঙদে। শেল সিকি অমা থোক্ত্রে। হৌজিকসু ৱারি। কদাইদগী শেনফম লৌরুরগা অঙাংশিংগী ফী থিগনি। ৱাবগী ৱাবা ঐখোয় পুল্লপ অদুম কোরোনাভাইরসকী চৈথেংসিদা ৱামিন্নরসি হায়বসিসু লানবদি নত্তে। লুরিবদি হন্দক্কী মতাং অসিদা প্রাইভেট স্কুল ১২০০ রোম লৈবা মণিপুরদা স্কুল খরদি শোয়দনা মুৎখ্রগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

প্রাইভেট স্কুল হায়রগা মখল অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই। মিসন্নরি স্কুল কেথোলিক গ্রুপ্পচিংবা, অনীশুবদা ৱাখল মান্নবা গ্রুপ অমনা মেনেজিং বোর্দ অমা শেম্লগা অরৈ অরৈবা পুথোক্লরগা লিংখৎপা স্কুল, অহুমশুবদনা লন্নাই ইন্দিভিজুয়েল ওইনা মমিং অমা থোল্লগা মথন্তনা চলাইবা স্কুল অহুম অসি ওইগনি। মখল অহুম অসিদা মহৈরোয়শিংগী ষ্ট্রেঙথ লিশীং ৪/৫ তম্বা স্কুলদগী হৌরগা লিশীং, ৭০০/৮০০ অদুগা ২০০/৩০০ য়ৌনা তমদবা স্কুলসু য়াওরি। শম্না হায়রবদা মিং চৎখিবা মহৈরোয় য়াম্না লৈবা ইনাক খুনবা চহী অনী/অহুম ফী থিরক্ত্রবসু ওজাগী তোলোপ পীবা ঙম্বা স্কুল য়াওরি। মরলসি হেক্তা পৈদুনা থমখ্রবা! মহৈরোয়শিংগী ফী খরদং ওইরবসু থিবিরগদি ওজাগী তোলোপ ফজনা পীবা ঙমজগদবা স্কুল, অরোইবদনা অঙাংশিংনা ফী থিবিরক্ত্রগদি মতু-মচাগী সনা থুগাইরগা নৎত্রগা লৌ-ইখ্রোল য়োল্লগা তোলোপ পীবা নৎত্রগদি পাম্বে শুক্লে লৈররোইদবা স্কুলসু কোঙ্গাইনি।

লৌমী শিন্মী ময়াম লৈরিবশিংগী মনুংদা ওজা হায়বা শিনফমসি মীয়াম্নসু মালেমগী ওইনা ইকায়খুম্নবা উৎনরিবা অদুগীসু মথক্তা প্রাইভেট স্কুলদা ওজা ওইবিরিবশিং তোলোপসু য়াম্না চাজদবা, পাম্বেসু লৈজদ্রবা শিনফম অসিগী খনবীরগা অঙাংশিংগী ফী খরদংদি থিবীদুনা মীনুংশি য়েংলগা মতেং পাংহঞ্জনীংই। নৎত্রগা ফী থিবিনীংবনা থিবীয়ু, থিবীরোই হায়রগনা পাম্বে লৈতে তোকপীয়ু হায়বগী ৱাফমলোমদা লাকই। তৌবতবু মহৈরোয়-ওজাশিংগী মরীসু তৎহন্দনবা নুংশি চান্ননা লৈহৌনবা মায়কৈরোমদা চৎমিন্নসি। ●

# কোভিদ-১৯না ওইহল্লকপা অমাঙ-অতোংশিং - ১১

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

ইনাক খুনবগা - ইনাক খুনবগা, লায়রবগা - লায়রবগা হায়বা ৱাখল লৈ। অমুকসু খন্নবা য়ারিবা ৱাফমদি - মপা মপু হাক্তক্তগী শেল পায়রকপা ওইবনা হায়রিবা ৱা-খল্লোনসি ইমুংদুগী/শাগৈদুগী ঙাক্তবা য়াদবা চৎনবী অমা ওইরকপ্রা নৎত্রগা খাঙ্ডুথক্তা মতাং চারুবদগী মহাকথক্তা শেল পায়খৎলকপদগী তৌবা ওইরবদি অখঙবা খুন্নাইগী মীশিংনা মীশক্তুবু অদুক ফজনা ঙাঙনরোই। ঙসি ঙরাংতা শেল খরা পায়খৎলকপদগী পংতৌ তৌনরিবনি হায়না শোয়দনা ঙাঙনগনি। অনীশুবা কাঙলূপ - অরৈবসু/লৈতবসু তৌফম থোকপা মখৈদি তৌদবা য়াদে, মসিদগী হেন্দোক্লা পংতৌ তৌশিনবদি থোইনা কান্নবা লৈতে হায়বা ৱাখল চেনবা/কা হেন্দোক্লা তৌবা নৎতবিদা তৌরিবা খরদুদি পরম চুম্না মপূং ফাবা মওংদা পাঙথোকপনা মীচম মীয়াম্নসু ইচম চম্না ফজনা খন্নবা ৱাখল শোয়দনা লৈগনি। খুদম, অসুক য়াম্না মরল মথুম লৈবা, তৌগে হায়বদা ঙম্বা ইমুংসিনা খুন্নাইগী চৎনবীদা অকায়বা পীদনা কয়াম ফজনা ইচম চম্না থৌরমদু পাঙথোকখিবনো/পাঙথোক্লিবনো? খুন্নাইগী চৎনবী ঙাক্লা চৎপনিনা লায়রবা ইমুংশিংদসু হুলানবা তৌদনা (য়োকখৎলগা) খুন্নাইদা শেল পায়বগী থাক মান্নদ্রবসু মীয়ামগী মীৎয়েংদদি হায়ফেৎ মান্নহন্না অদুম উহনবা, মশাদা চাওথোকপা লৈতবা থম্মোয় চাউবা মীগী থম্মোয় চেনবা মীশকনি হায়না শোয়দনা শোন্নগনি। হায়নবা লৈ 'ফজবনা শেৎ চাবদি ইফদা ফজৈ' 'ইনাকখুনবনা তৌবদি ইয়া য়াবনি, মীনা থোইদোক্লা অদু অদা হায়না ঙাঙনদে।" হায়রিবা অসিদি ইনাক খুনবনা তৌথোরকপা খুদিংদা ইচম চম্না মচু তাবা ইনাক খুনবশিংগী মতাংদনি। য়াম্না লায়রবা নত্তনদি অতৈদি অদুম চাংচৎতা মখোয় মশানা ঙম্নবা মওংদা তৌজবনা/তৌগদবা লৈবনা থোইদোক্লা পন্দ্রবসু য়ারে হায়বা ৱাফম ওইনা থমজরে।

মালেমগী ওইনা করম্বা মীওইশিংনা করম্বা থৌরমশিংদা মরু ওইনা খঙন-চান্নবা, করিগুম্বা খুদোংচাবা পীনগদবা/লৌনগদবা মীওইশিংগীদা মীয়াম পূনবগী থৌওং থোক্কনবগে হায়বগী মতাংদা থমজখ্রে। মসিগী মতুং তারকপসিদি - মালেমগী ওইনা লৈনরিবা লাইনীং লাইশোন খুদিংমক্তা করিগুম্বা থৌরম অমগী তঙাইফদনা তৌগদবা হায়বা অমমমদি শোয়দনা লৈনগনি। মদু পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মী মশীং ৫০/১০০দগী তাবা য়াদে হায়বা ৱাফম করিসু লৈনরমগদবা মান্দে। মসিগী ওইথোকপা য়াবা মরমদি - মহৌশাদগী হায়বা তারে, লৈবাক্কীদা য়াওবা লৈঙাক্লোই, য়াইতোং ফমদোংবা, ইনাক কৈরাক খুনবশিংগী ময়ূমশিংদা মখাদা ইজরক্কদৌরিবা থৌরমশিংদা মরী লৈনবা/লৈননীংবা মীওইশিংনা শোয়দনা থৱায় য়াম্না য়াওনা চৎনৈ। মীচম মীয়ামগী মনুংদা মীচম অমগী ময়ূমদা মথক্কী চপ মান্নবা থৌদোক/থৌরম অমা থোকপা মতমদদি মথক্কী অদুম হায়না ওইজ-ওইথক ফংমিন্নগদবা/লৌমিন্নগদবা লৈতবনা - কৈরোল লৈকায়, মরী-মতা, খঙন-চান্নবা খরা নত্তনা মী থোয়না পুন্দে। মসিনা তাক্লিবদি - থৌরম অমগীদমক মী অসুক্তগী তাদনা পুনগদবনি হায়বসি লৈতে। পুন্দবা য়াদে হায়বা ওইরবদি/লৈরবদি অচৌ অশাং/ইনাক খুনবা/লায়রবা থিদনা পুন্দবা য়াদবা মশীংদুদি লায়রবশিংগীদমক্তদি পাম্বে অমা তৌরগা পুন্নবা হোৎনফম থোকই। লায়রবা নত্তবশিংগীদি মীশিং হেনমন্না পুনবগী ৱাতনি। হায়রিবা ফীভমসি হায়বদি মী অসুক্তগী তানা/হেন্না পুন্দবা/পুনবা য়াদে হায়বা লৈতবনা- থৌরম অমা পাঙথোকপা মতমদা লাইনীং লাইশোন খুদিংমক্কী ওইনা তোকপা য়াদবা থৌওং অমত্তং হায়বা তারবদি থৌরম থৌরমগা মরী লৈনবা ঈরাৎ ইশোন তৌবসিনি। মদুদা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা থৌরমগা মরী লৈনবা ৱারী/লাইরিক মতেক অমা, মপুগী মিঙ্খে শক শোনবা মীওই খরসু য়াওবদি তৌনৈ। মসিদগী হেন্দোকপা থৌওং অতৈদি থৌরমগা মরী লৈনহল্লগা মীয়াম পূন্নবা (খঙন-চান্নবা মরুপ-মপাংশিং) চেবাউ পীখিবশিং লাকপা ঙাইবা ওইনা তৌরিবা অতৈশিংদি - তঙাইফদবা নত্তে হায়বদা লাল্লি কনানসু হায়বা ঙল্লোই। মরমদি থৌরমদুগা মরী লৈনবা ঈরাৎ ইশোন তৌদনা তোকথোক্লগা অতৈ অহেনবা থৌওংদুনা পাংগদৌরিবা থৌরমদু মহুৎ শিনবা য়াত্রা হায়বসিনি খনগদবদি।

খুন্নাইদা তঙাইফদবা থৌরম ওইনা পাঙথোক্লবশিংদি মতুংদা - অঙাং (তুংগী মী) পোকপগী ঈপান থাবা/ষষ্ঠি পূজা; থা ৫/৬ শুরকপদা চৎনবীগী মতুংইন্না তরা চাকইন তম্বিবা/অন্নপ্রাশন; নাহুৎ-নারেং ৱামৈ ঈরাংপা/(চূড়াকরন); লাইমিং লৌবগী/দিক্ষা গ্রহন; লূ-হোংবা; শিবা অমল শিংকুম্বগী নুমিৎ, মঙানি লৈহুন/৬নিশুবদা অষ্টি সঞ্চয়, লান্ন থৌরম/শ্রাদ্ধ, মরক্কী থা ১১ মপূদা লুকলেন কৎপা, ১২নিশুবা থাদা পাঙথোকপা কুমওন ফিরোই অসিনচিংবা পনবা য়াই। হায়রিবা থৌরমশিং লাইনীং লাইশোন অমগী মখাদা শোয়দনা পাঙথোকই।

মথক্তা হায়খিবা পুন্সিগা মরী লৈনবা থাদোকপা য়াদ্রবা থৌরমশিংগী মথক্তা, মীওইবা অমা ওইনা হিংলিঙৈদা লাইনীং লাইশোন অমগা মরী লৈনবদা থাজবা লাই খরা লৈবসু শোয়দনা য়াওগনি। অসুম্না লাই মশীংগী মতুংইন্না থৌরমসু মশীং য়ামগনি। হায়রিবা থৌরমশিং অসিদি অকক্লবা থাগী থাবানদা অয়াম্বা পাঙথোক্লে। ইরমদমগী লাইনীংগা গৌড় নৎত্রগা হিন্দু লাইনীংগা মান্নদবনা ইরিবা কলমগী য়েংলগা লাইনীং অনীমক্কী লাইয়াম কয়াগী তোঙানবা থৌরমশিংগী মরমদদি পঞ্জররোই। মরী লৈনবশিংনা অদুম খঙবীরো। অদুবু খুন্নাইগী চাওখৎ থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা লৈঙাক্লা পায়খৎপা থৌরমশিং খরদি খুদম ওইনা - মরু ওইবা প্রোজেক্ট/শঙলেন/থোং/পায়খৎপা/শাবা হৌরমদাই অমদি শঙ্কাবা/মীয়ামদা খূৎশিন্নবা নুমিৎতা অফবা পুংফম য়েংলগা লাইনীং লাইশোন অমগা মরী লৈনবা থৌরম/থৌওং খরদি পাঙথোকই। পাঙথোক্লিবশিং খরসি তৌদবা য়াদবা হায়বা মরম লৈবদগীনি। করিগীনো হায়বদা থবক খুদিংমক নুমিৎ নুমিৎকী ওইনা অফবা পুংফম লৈবনা হায়রিবা পুংফমদুদা থৌরম/থৌওংদু তৌরবদি তুংদা অফবা কান্নবা মরম কয়া ওই হায়বগী থাজবী লৈনরিবসিনি।

মীওইবা অমগী পুন্সিদা হায়বদি অঙাং ওইরম্বদগী চাওখৎলক্তুনা লুহোং কৈহোংবগী মতাংদা অমদি শিবা হায়বসি থৱায় পানবা খুদিংগী পুন্সিদা অমুক্তি শোয়দ্রবা থৌওং ওইবদা, খুন্নাইগীদা মী অমা শিবা মতমদা খুন্নাইদা তোয়না উবা ফীভম খরগী মরমদা খজিক্তং ইজরক্কে। লোয়না খঙনরবা/উনরবা ফীভম নৎত্রগা থৌওংমক্তনি। অনীমক শুপচিল্লগা থৌওংদু মান্নবা পাউদমজগে। অনীমক্তা তৌফম থোকপা লাইনীং লাইশোনগী ওইবা ৱাফমদি থাদোকপা য়াদে। মথক্তা হায়জখিবা অহিংবা খুন্নাই অমদা মশাগী নাপলগা য়াওনা থৌরমশিং পাঙথোকপা ইমুংশিংগী মরমদা থমজগে। লু-হোংবদা ইমুং অনী চঙই। নুপা (পিবা/বর) ময়ূম অমদি নুপী ময়ূম (লৈমা/চনু/কন্যা) ময়ূম। লু-হোংফম নুপী ময়ূমদা ওইবনা - মশাগী ময়ূমদা/মফম চাই খনবা অমদা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোক্লবা, হৌজিক্কী খুন্নাই (অহিংবা) গী চৎনবীদা, লুপা লাখ খরা চঙনা লৈতেংবা (দেকোরেসন) তৌনৈ। হায়রিবসিমক্কী থাক মান্নবা/য়ৌদবা মওংদা নুপা ময়ূমদসু অদুম লৈতেংবা তৌই। লুহোংবা হায়বসি অকে-অমৌগী থবকনি হায়বা য়াই। নুপা ময়ূমদগী পিবা/বর মশাগী মমান্নবশিং, মপা-মমাগী মমান্নবা/মমান্নবী, শাগৈ-নাতৈশিং য়াওনা মী য়াম্না চৎনৈ। নুপী ময়ামদসু অমহানি। থিনবা, খোংবা, য়ৈবা (বেন্দ পার্টি) মশীং য়াম্বদা নত্তনা মমিং লৈবা পার্টি নেক্লে। নুপী ময়ূম - লুহোংফম য়ৌরবা মতমদনা মপুগীমিঙ্খে শক শোনবীগদবশিং মীয়াম্না মশক খঙবা ওইনৈ। মপুগী মিঙ্খে শক শোনবা হৌরম্লবনিনা নুপা ময়ূমগী কাঙবুশিং শেল থানবা মথং মথং পরেং শাংনা লেপই। নুপী ময়ূমসু য়াওশিল্লি। লোয়বা নাইদে। শেন্থা ফজবনা মপুগী মিঙ্খে শোনবা কাঙবুসু মতম চানা পিবা/বর থোকহন্নবা তাঞ্জা পীদে। নুপী ময়ূম্না নেকপা অরাংফমশিং তৌফম খঙদনা লৈ। মতমনা য়ারক্তবদগী পিবা/বর পুথোরক্লনি। হন্দোকপা/থাদোকপা য়াদবা - লাইনীং লাইশোনগী থবক/থৌওং চত্থগনি। লৈমা/কন্যা পুথোরক্কনি। শোনবগী মখা চত্থগনি। অফবা য়াইফ থৌনি মীয়াম্না কুবিবগী পুংজা লাম্থোকখ্রনি। নোংমদুগী ওইনা অখঙ অহৈনা পীবা পুংফমশিং লোয়না শোয়রগনি। অনীমক্কী মমা-মপা থৌশারোই। মখা তারকপা পুন্সিদি শেল পায়বা মশেলনি।

অসুম্না, লান্ন থৌরম/শ্রাদ্ধ - ইমুং অমদা থোকপদা মপুগী মিঙ্খে শক শোনবিগদবা কাঙবু, শেল থাবীনবা লোইরবা ফাওবদা ৱাৎতে। থৌরম মপু (নুপা/নুপী) অনীমক চেবাউ ফংদুনা লেংবীরকপশিং মায়োক্লনবা/নুমিৎতুগী কায়নবগী ৱারোল তৌবা হোৎনরিঙৈদা লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলগী য়াইফনবগীদমক পাঙলিবা অশেংবা থৌরমদু ফাগি মালহল্লি, মদুদা পেন্নে। শেনথা ফজবনিনা মিঙ্খে শক শোল্লিবশিং পুংজাসি কয়াম য়ৈশিল্লক্লবা য়েংনীংদে। থৌবুনা থৱায় মিরেলগী ৱাফম কাওথোক্তুনা লৈরিঙৈদা অখঙ অহৈ অহল-লমন খরনা অরাংফম করি তৌরি - মতমসি কদায় য়ৌরে হায়নরক্লবা মতমদনা য়ূম্ফসু কোয়কৌ কৌনরগা লান্ন থৌরম/শ্রাদ্ধগী থৌরম লোইশিল্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লে মরী লৈনদে।